# মীচম-মীয়ামগী ওইবা লান্মী অমা শেমগৎপা পান্লে অমদি শেমগৎপসু হৌরে : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : ঈরাং থোক্লিবা মফমশিংদা করিগীদমক মণিপুরগী ফোর্সশিং থাজিনদ্রিবনো। থৌওং অসি মখা তানা চথুরক্লবদি ইরমদম মণিপুর কন্নবগীদমক এম পি পিগী কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না তোঙানবা মণিপুরগী ওইবা লান্মী অমা শেমগৎপা পান্লে অমদি শেমগৎপসু হৌরে হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট এদমিনেষ্ট্রেসন য়েংকোকপম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর পিপল্স পার্টি (এম পি পি) গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, এম পি পিনা হৌজিক-হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা তমথিরবা কাংলুপকী ঈরাং অসিগী মতাংদা অখন্নবা এসেমব্লি সেসন অমা পাঙথোকপীয়ু হায়জখিবসু লৈখ্রে। লোয়নন্না লৈবাক ঙাকপদা অরোন-অথুপশিং ঙাক্তুনা থবক তৌগনি হায়না ৱাশক লৌখ্রবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংসু মানা-মানা থোকপা থবকশিং তৌদুনা লৈরে। অসাম রাইফল্স অমদি কুকি মিলিটেন্টশিংগগী মরক্তা করন্থা মরি লৈনবগে হায়বা এম পি পিনা খঙবা পাম্মী। মরমদি ম্যেন্মারদগী চেঙ্হোরক্লগা মণিপুরদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অসাম রাইফলসনা করিগীদমক মখল-মখা কয়াগী মতেং করিগীদমক পাঙলিবনো হায়বসিগী মতাংদসু লৈঙাক্লা থিজিনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম পি পিগী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট দা. এস ইবোমচনা হায়খি, হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসি সেন্টরনা য়েংশিল্লিবরা নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়েংশিল্লিবরা হায়বদু লৈবাক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি। লোয়নন্না ষ্টেট অসিগী সীক্যুরিটি এদভাইজরনি হায়বা কুলদিপ সিংহনা মৈতৈশিংনা পায়বা খুৎলাইশিং লোয়না সরেন্দর তৌগদবনি হায়বদগী খুৎলাইশিং সরেন্দর তৌখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চপ মান্নবা মতমদা অফবা মখলগী নোংমৈশিং কাপ্তুনা অমদি য়ুম মৈ থারকপা মতমদা থৌওং অদু লাকশিন্নবা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপীবা থেংনদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাকশন্না য়ুম মৈ কয়া থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়নন্না অশি-অনা কয়াসু য়াওহনখ্রে। মরম অদুনা মতিক চাদ্রবা সিক্যুরিটি এদভাইজর হলহনবিখ্রো। কুকি মিলিটেন্টশিং মীচম মীয়াম ঐখোয়গা থেংনজ হৌরগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৌজিক ওইরিবা মাঙ তাকপগী থৌওং অসিনা মৈতৈগী ইমুং চা কয়াদা লিশাং শিংনা অৱাবা পোৎলুম কয়া পুদুনা হিংবগা লোয়নন্না থম্মোয়দা কোক্লরোইদবা মমি অমদি তাহৌরগনি। কুকি মিলিটেন্ট খরনা সিপরেট এদমিনেষ্ট্রেসন তানবা ঙন্নগা করিগীদমক মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংনা সিপরেট এদমিনেষ্ট্রেসন তানবা য়ারোই হায়না ফোঙনা থিংবা ঙমদ্রিবনো? সুদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা পায়রিবা অফবা মখলগী খুৎলাইশিং কদাইদগী লাকপনো? সুদা লৈনা-লৈনা অফবা মখলগী খুৎলাইশিং পায়দুনা মীচম মীয়ামদা লান্দারিবা অসিগী মতাংদা সেন্টরদা মরিক চুন্না খঙহনগদবনি। সুদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়দুনা মীচম মীয়ামদা লান্দাহল্লগা মীচম মীয়াম মৈতৈনা লাইসেন্সতা পায়জবা নোংমৈ ফাওবা খোমগৎতুনা নোংমৈ পায়হন্দ্রিবা অসিগী থৌওং অসিদি মৈতৈ তুম্না শিরো হায়বনি। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টরনা শুপ্পগী মচিন্দা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হল্লোয় হায়না লাউবা খক্তনা য়ারোই। মরম অদুনা মণিপুর কননবা হোৎনবদা মণিপুর মীয়াম্না অপাম্বা নোংমৈ লৈবগী অয়াবা পীবিরো হায়খি।


পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুকি ফুরুপকী লুচিংবশিংনসু কুকি মিলিটেন্টশিংদা মখোয়না চথুরক্লিবা অরানবা থৌওংশিং অসি তৌদনবা হায়বিয়ু। নৎত্রবদি চমজরবা কুকি মীচম কয়াসু মৈতৈ মীচম মীয়াম কয়ানা অৱাবা তারিবা অসিগুম্না তারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# চাক চাবদা য়াম্না চেকশিনসি

লৌশিং পুক্কে

## অকক্লবা মতম অমা থমদুনা চাবগী হৈনবী থম্নবা হোৎনগদবনি

ঙল্লিবৈঙে মতমদগী হৌরগা হকচাং ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈহন্নবা হোৎনবদা অফবা চীঙ্গাক চাগদবনি অমদি চাবা থকপদা মতম নাইগদবনি হায়না অহলশিংনা হায়নদুনা লাকই। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা হায়রল্লিবা ৱাফমশিং অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌরোইদবনি। টেক্নোলোজিগী ওইবা চাউখৎপা খুৎশু-খুৎলায় কয়া ঙল্লিবৈঙে মতমদা লৈরমদ্রবসু মখোয়না থেংনরকপা কয়া অদুনা মরম ওইরগা নুমীৎয়ুংবা মতুংদা অয়ুক্কী চাক চাবা ফত্তে হায়না লমদম অসিগী অহলশিংনসু হায়দুনা লাক্লি। মসিগী মরুওইবা মরম কয়া লৈখ্রে। নুমীৎয়ুংবা মতুং নুংথিল পুং ২গী মতুংদা ঐখোয়না কৈদৌনুংদা অয়ুক্কী চাক চারোইদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি।



অয়ুর্বেদ এক্সপার্ট ডা. দিক্সা ভাভসর সভালিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, নুংথিল পুং ২গী মতুংদা ঐখোয়না অয়ুক্কী চাক চাবগী হৈনবী কৈদৌনুংদা থল্লোইদবনি। মসিনা ঐখোয়গী হকচাংদা চাবা তুমদবগী প্রোব্লেমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী ওইবা নুংঙাইতবশিং থোকহল্লকপা য়ানা লৈ। থেংলবদা ঐখোয়না নুমীৎয়ুংবা পুং ১২দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা অয়ুক্কী চাক চাবদা থোইনা অকায়বা লৈতে। মরমদি হায়রিবা মতম অসিদা নুমীৎনা ঐখোয়গী হকচাংগী মথক্তা চপ চানা লৈবা মতম ওই। মরম অদুনা ঐখোয়না চাশিনখ্রিবা ময়াম অদু তুমহনবদা লায়না থোকই। অয়ুক্কী চাক অসি ঐখোয় মীওইবগী ওইনদি য়াম্না মরুওই। অদুবু কা হেন্না ঙল্লিবৈঙদা অয়ুক্কী চাক চাবসু অফবা ওইদে। অয়ুক য়াহৌরকপা মতমদা ঐখোয়না উহৈ-ৱাহৈ ওইনা চানবা হোৎনগদবনি। অমরোমদা অয়ুক্কী চাক মতম চানা চাবগী হৈনবী থল্লবদি মসিনা হকচাংদা অতনবা ফাওহন্দে অমদি থবক তৌবদা হকচাং কা হেন্না চোকথরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা ঐখোয়না মতম পুম্বদা অয়ুক্কী চাক চাবগী মতম য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

সভালিয়াগী অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হকচাং অমসুং ৱাখল মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক থৌরম কয়া লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঐখোয়না খোঙনা শাংনা চৎলুরবা মতুং য়ুমদা হঞ্জিল্লকপগা ঈরুজবা নৎত্রগনা চাক চাবা তোকপগা তূম্বগী হৈনবী থল্লোইদবনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি তোয়না তৌরক্লবদি ঐখোয়গী হকচাং শোকহল্লক্লবগী অমদি লায়নাশিং পোকহল্লক্লবা মরম ওইরক্কনি। চাক চাবা তোকপগা ঈরুজবগী হৈনবীসু থল্লোইদবনি। য়ামদ্রবদা চাক চাবা তোক্লবা মতুং পুং ২ রোম লৈরগা ঈরুজগদবনি। নৎত্রগনা চাক চাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঈরুজগদবনি। ঐখোয়না চাক চাশিনবা মতমদা ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা ফায়র ইলিমেন্টশিং এক্তিভ ওইবগা লোয়নন্না মথৌ তৌবা হৌরকই। মতম অসিদা ব্লদ সার্ক্যুলেসন হেনগৎলকপগা লোয়নন্না চাবা তুমহনবদা মতেং পাংশিল্লকই। অদুবু ঐখোয়না চাক চাবা তোকপগা ঈরুজরবদি হকচাং মনুংদা য়াওরিবা ফায়র ইলিমেন্টশিংনা মথৌ তৌবা হৌগৎলকপদা অপনবা পী। মরমদি ঈরুজবা মতমদা হকচাংগী টেম্পরেচর হন্থরকপনা মরম ওইরগা চাবা তুমহনবদা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লকই। মসিগী মথক্তা চাক চাবা তোকপগা খোঙনা শাংনা চৎপা তৌরোইদবনি। মরমদি মসিনা হকচাংনা চারিবা চীঙ্গাকশিংদগী চুপশিনগদবা কান্নরবা মচলশিং মপুং ফানা চুপশিনবা ঙমহন্দে। করিগুম্বা মতমদা চাক চাবা তোকপগা খোঙনা শাংনা চৎপনা ঐখোয়না চাশিনখ্রিবা পোৎলমশিং অদুগী মরক্তা নুংশিৎ য়াওশিল্লক্তুনা হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়রি।

ডা. সভালিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না তূম্লমদাইগী মতমদা শঙ্গোম মপাল নৎত্রগা শঙ্গোম অফম্বা চাশিল্লোইদবনি অমদি চাক চাবা তোকপগা তূম্বগী মহুৎতা য়ামদ্রবদা মিনিট ৬০দি লৈগদবনি। নৎত্রবদি মসিনা চাবা তুমদবগী প্রোব্লেমশিং থোকহনবগা লোয়নন্না খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা কয়া থোকহল্লক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি। ঐখোয়না মতম পুম্বদা ৱাখল অমসুং হকচাংবু মশা-মউ ফনা নাদ-য়েক্তনা লৈহনগে হায়রবদি চাবা থকপা, থবক তৌবা অমদি তূম্বা অমসুং হৌগৎপগী মতম য়াম্না চাং নাইহনগদবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মালোম অৱাংদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদগী হৌরগা ইপুধৌ পাখংবা শঙলেনদা মালোম অৱাংদা লৈরিবা মীয়ামগী ওইবা অপূনবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে হায়না মালোম নম্বর ৱান ষ্টুদেন্টস ক্লবকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম রোনাল্ডোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইপুধৌ পাখংবা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মশীং য়াম্লবা মীওইশিংনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাং অসি য়াম্না থুনা লোইশিন্নবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শীনবীয়ু। কুকি মিলিটেন্টশিংগা লৈনরিবা সূগী এগ্রীমেন্ট খুদক্তা লৌথোকপীয়ু। কুকি মিলিটেন্টশিংগী টেররিজমগী থৌওং য়ানিংদে। ঈরাং নমথনবা থারক্লিবা ইন্দিয়ন আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী মহুৎতা ষ্টেট ফোর্স থম্বীয়ু। লোয়নন্না মণিপুরদা এন আর সী চৎনহল্লু, মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু, নো সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন ইন মণিপুর, গো বেক চিন কুকি ম্যান্মারিজ ফ্রোম মণিপুর হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং কয়া পায়দুনা ৱাকৎ মীফম অদু মায় পাক্লা চথখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিংসু লৌখি। মীয়াম্না পুন্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা হাংরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেল্লক্তুনা লৈরিবা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবা অমদি অপূনবা লূপ অসিনা লোকেল এম এল এদা মেমোরেন্দম পীশিনবা হায়বনচিংবা ৱারেপশিং অসি লৌখি।

লোয়নন্না ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লকপদা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মশীং য়াম্লবা মীওইশিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। লোয়নন্না অরোইবদা ঈরাংনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়নসু মালোম নম্বর ৱান ষ্টুদেন্টস ক্লবকী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'নোংমৈ পীবীরো'

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সলুংফম খুলদা ইন্দিয়ন আর্মি চঙবীরক্লগনু, ইচাশিং ঙাক শেন্নবা মমাশিংদা নোংমৈ পীবীরো হায়না সলুংফমগী মীয়াম্না খুৎতা চৈতুপ পায়রগা লম্বী থিংদুনা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা মশীং য়াম্লবা সলুংফমগী খোয়শাউনরবা ইমা-ইবেলশিং অমদি নহা কয়ানা সলুংফমদগী ৱাংজিং তাবা ইন্টর ভিলেজ লম্বী মফম অহুম থোক্লা থিংজিল্লগা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা ইমা-ইবেলশিংনা থম্মোয় শোক্লা সলুংফমদা ইন্দিয়ন আর্মি চঙবীরক্লগনু, কুকি মিলিটেন্টশিংদগী আর্মিনা হেন্না কিজরে, মীচম কয়া নোংমা কাংদনা শিজিল্লকপা অসিদা মমা ওইবীশিংনা তুমীন্না লৈশিনবা ঙল্লক্ত্রে। মরম অদুনা মমা ওইবীশিংদা নোংমৈ পীবীরো হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখিবগা লোয়নন্না কল্লবা নুংশা মরক্তা মচাশিংবু কন্নবা অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী ৱাখল্লোন্দা সলুংফমদগী ৱাংজিং তাবা ইন্টর ভিলেজ লম্বী মফম অহুমদা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈখি হায়রি।

# মীতৈ ঐখোয়গী অরুবা তানফম য়ৌরক্লবনিনা পাঙথোক্লিবা থবক খূদিংমক্তা তুংগী খল্লগা পুন্না অমত্তা ওইনা পাঙথোকপা মথৌ তাই : টি ঐচ মনিহার

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): মীতৈ ঐখোয়গী অরুবা তানফম য়ৌরক্লবনিনা পাঙথোক্লিবা থবক খূদিংমক্তা তুংগী খল্লগা পুন্না অমত্তা ওইনা পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারনা ফোঙদোকখ্রে।




ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চনা মৈরা পায়বী নুপীশিংনা শীন্দুনা চনা ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোক্সকী প্রসিদেন্ট টিঐচ মনিহারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা হূ কামশিন্দুনা হাৎনে-শুনবা থোকহল্লিবা অসি মতৌ করম্না ওইরক্লিবনো হায়বদু পুন্না খঙমিন্নবগা লোয়নন্না অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা ঐখোয়গী য়েক্লবা মীওইশিংবু খঙদোকপগা লোয়নন্না অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎমিন্নবা চঙই। ঙসি-ঙসিমক থেংনরিবা অৱাবা অমদি অশি-অনা কয়া থোক্লিবা অসি মুন্না খন্থদুনা থবক তৌমিন্নহৌদ্রবদি চহী খরগী মতুংদদি মসিদগী হেন্না অৱাবা খুদোংচাদবা অমদি মীশি-মীনা কয়া থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

মণিপুর হায়রিবা ঐখোয়গী পোক্লফম লমদম অসিগী চাদা ৯২দি চীংগী শরুকনি। মসিদা মীতৈশিংনা লম মচেৎ অমফাওবা লৈবা য়াহৎ দবগা লোয়নন্না খুন্দা-লৈতাবসু য়াদ্রি। অদুগা লেমহৌরিবা চাদা ৮গী তম্পাক লম অসিদনা কাঙলুপ-ফুরুপ শুনা খুন্দা-লৈতাবগা লোয়নন্না মখোয়-মখোয়গী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না লম লৈশিন্দুনা খুন্দা-লৈতারি। হায়রিবা থৌওং অসিসু ঐখোয়না শেমদোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌরক্লিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাং অসিদা ঐখোয়না অশেংবা য়েক্লবা অদুবু মশক খঙনা থবক তৌবা চঙই। লান্দারক্লে হায়দুনসু ৱাখল খন্থদনা ঐখোয়গী শোক্লি-মাঙলিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না অমাঙ-অতা থোক্তনবা মমা-মপা ওইবশিংনসু চেকশিনবগা লোয়নন্না ঈরাং হৌরিবা অসিদা ঐখোয়গী শক্তম কলহৌদবা য়াদে হায়না চোংথোরক্লিবা ইচিল-ইনাওশিংনসু ৱাখল ফাথনা য়েক্লবনা কনানো মশক খঙনা থবক তৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বীগী থৌমীশিংনসু কুকি লালহৌবশিংনা চমজরবা মীচম-মীয়াম কয়াগী য়ুম মৈ তুম্না থাদোকপীখিবগী থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না অমাঙ-অতা থোকখ্রিবশিং অসি লৈঙাক্লা অথুবদা য়েংশিনবীদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা অমদি পীফম থোকপা মচাকশিং অদু পীবীদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হন্না হঞ্জিনবা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোক্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমনসু হৌজিক ইরমদম মণিপুর অসিদা চহী লিশিং কয়াদগী পুন্না খুন্দামিন্নরক্লিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মপান্দগী লাকপা মীওই খরনা ইনশিল্লগা খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসি মুন্না খন্থমিন্নবা চঙই। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসি কদায় ফাওবা চুম্বগে অমদি ওইথোকপা য়াররোইদবা মণিপুর মচেৎ তানা থুগায়বা পাল্লিবা ৱাখল্লোন অদু থাদোকপা মথৌ তাই। ইরমদম মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্লা কৈদৌনুংদা মণিপুরবু মচেৎ থোক্লা থুগায়বা খক পাল্লোই। মণিপুর থুগায়বা পাল্লিবা মীওইশিং অসি মমা লৈবাক মণিপুরবু নুংশিবা ঙমদবা মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিংনা ওইগনি।

ঙসি-ঙসিমক থোক্লিবা থৌদোক অসিদা সূদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অতম্লনা মীচম মীয়ামদা অফবা মখলগী নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা লান্দারকপদগী মীশি-মীনা কয়া থোক্লিবা অসি লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈশিনফম থোক্তে। লৈঙাক অমা ওইবগী তৌফম থোকপা থবকশিং পাঙথোকপীয়ু। লোয়নন্না মীচম মীয়াম্নসু অশাউবা ফাথদুনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবক কয়া পাঙথোক্লবসু ঐখোয়গী তুংগী লম্বীদা কায়রক্কদবা লম্বীশিং তৌরোইসি। মরমদি ইরমদম মণিপুরবু নুংশিজবা মীওই কয়াদা কনাগুম্বা মীওই খরনা য়েংদুনা লৈরি হায়বসি খঙমিন্নসি হায়খি।

# কুকি লালহৌবশিংগী থৌওং টেররিষ্টকী থৌওংনি, তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগা লোয়নন্না চৎকনি : ডা. রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): কুকি লালহৌবশিংগী থৌওং টেররিষ্টকী থৌওংনি। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়বা শুকয়া য়ারোই। মীয়াম্না পাল্লিবা অপাম্বা অসি ফংদ্রিবা ফাওবা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙল্লোই। মসিগীদমক ইশাগীনি হায়বা অখাকপা থমদনা মীয়ামগা লোয়নন্না মীয়ামগী অপাম্বদা থবক তৌগনি হায়না হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শুগনুগী মফমশিংদা থোকখিবা নাকল অনীগী ঈরাংদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরকখ্রবা মীয়াম্বু চঙজফম পীদুনা লাংমৈদোং হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পকী ফীভম য়েংশিনখিবগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঈরাং অসি অহানবদদি কাঙলুপ অনীগী মরক্তা ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মৈতৈগো কুকি লালহৌবশিংগগী মরক্তা থোকপা লান ওইরে। সূদা লৈবা কুকি লালহৌবশিংনা সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা চথুরক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং অসি টেররিষ্টকী থৌওংনি। কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূ লৌথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা হান্নসু তকশিন্দুনা লৈরি। মসিগী মথক্তা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর লাক্কদৌরিবা অসিদসু অকনবা মওংদা সূ লৌথোক্লবা তকশিনগনি। নৎত্রগা সূগী কাঙলোন চপ চানা ঙাক্ল া থমগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং তকশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা লাঞ্জেল্লকপশিং খঙন-চান্নবশিংগী য়ুম-য়ুমদা থম্বা য়াওনা এলাংখাংপোকপীদা হান্না হাংদুনা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেল্লকপা মীওই ১০০ রোম শুখ্রে। মসিদসু নত্তনা খুদক্কী ওইবা রিলিফ কেম্প অমা ঙরাং লাংমৈদোং হায় স্কুলদা হাংদুনা মীওস কয়া চঙজফম পীদুনা থল্লি। মখোয়গী য়াইফনবগীদমক চান-থক্লবগী অৱাৎ-অপা লৈতনবা ঐ ইশামক য়াওনা লৈকায় লমদম অসিগী মীয়াম্না হোৎনরি। ঙরাংদগী সেরৌদা মীওই কয়া কুকি লালহৌবশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈরিবশিং হৌজিক ফাওবা লৌথোকপা ঙমদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু ঙসি থোক্লকপা য়াদুনা লাক্লবদি কেম্প অসিনা তরাম্না ওক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়ুম মৈ থাবা হৌরকপা মতমদা দ্যুটি তৌদুনা এ আর পর্সনেলশিংনা কন্নবা অমত্তা হোৎনবীখিদে হায়না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবী নুপী অমনসু ফোঙদোরকখি।

# লিংজেল মান্নদবা উৎথোক্লবদি অতোপ্পনা খুদোংচাবা লৌখিগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস): ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ঈহৌ শাগৎতুনা পোলিটিকেল তৌদুনা লিংজেল মান্নদবা উৎথোক্লবদি অতোপ্পনা খুদোংচাবা লৌখিগনি হায়না চেকশিন ৱাহৈ শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখ্রে হায়না এম এল এ অসিগী পি আর ও, এন জি মনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সগোলবন্দ এ সীগী মীয়ামগা লোয়নন্না এম এল এ, আর কে ইমোগা পুন্না হৌজিক ওইরক্লিবা লৈবাক্কী ঈরাং অসিগা মরী লৈননা কুপ্না খন্ন-নৈনবগা লোয়নন্না এম এল এনা ঈরাং অসিনা হেক হৌরকপদগী লৈপাক্কীদমক্তা লৌরকখিবা থৌদাং কয়াবু নৌহৌননা অমুক মীয়ামদা থম্বগা লোয়নন্না মতাং মতমনা য়ারক্তুবদি এম এল এ ফম ফাওবা থাদোক্কনি হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অদু অমুক্কা হন্না মীয়ামগী মফমদা থমখিবগা লোয়নন্না সগোলবন্দ এ সীগী মীয়ামগা পুন্না লৌমিন্নখিবা রিজোল্যুসনগী পোইন্ট ৮ অদু অমুক্কা হন্না পুন্না মুভ তৌমিন্নখি।

এ সী অসিগী মীয়ামগা পুন্না খন্ন-নৈনখিবগী থৌরম অদুদা এম এল এ, আর কে ইমোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঈরাং অসিদা অশোক অপন নংলবশিংগীদমক ঈ মথৌ তারকপদা পীননবা সগোলবন্দগী মীয়াম্না হয়েংদগী ব্লদ দোনেসন তৌবা হৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা লোং লিভ মণিপুর, মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই অমদি ইমা লৈবাক্লা য়াইফরে হায়বনচিংবা স্লোগান কয়াসু অমত্তা ওইবা খোল্লাউদা লাউখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

ইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহঅ সিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমসএ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০। ০৫। ২০২৩ ইং, লৈবাকপোকপা;
নুংথিল পুং ১.০৯ ফাওবা ইঙাগী ১০, মতুং ১১ নি পাল্লনি।

**মেষ:** লাইবক ফবা, মরূপ লোয়নবা কান্নবা, অফা-অপুন কোকচবা, পল্লম্বা থবক খরদি পাঙবা লৈ। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাঙবা, শাওনিংবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**বৃষ:** লৌশিং ফুদোকপা ৱাই। অদুবু য়েৎনবা য়াবা মরম খঙবা অমদি থীবা হুম্বা কনবনা অঙম্ববু পেলহনগনি, খুৎলোয়না থৌ পাঙগনি। হেন্না থাজরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লৈ হীগোক
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** অফবা মফম/নক্লবা মরূপ কাইনবগী নুংঙাইতবা, মীকোক থোংবা ৱাবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবদি তাগনি, ওইজবা খরা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবদি থুংদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** ফিংবনা শোক পনবা নংবা য়াই- তপথৌ। নীংবদি পাঙগনি ওইজবা ফংগনি, মীনা লাকচবা ঙল্লোই, থাগৎপীবগী নুংঙাইবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হরাওজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**সিংহ:** অরানবা উপাইনা মাঙওইনগনু। নচা-ননাইগী মতেং ফংগনি, লৌশিং শিজিন্নদুনা ৱাখল তানদবা লৈরসু তান্নথোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙথোক্কনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হীগোক

**কন্য:** হরাওবা নুংঙাইবনা হেনবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইতবা খরা তারসু অঙম্বনা চানবীবা, নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না চানবীবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হীগোক

**তুলা:** কিগনু অদুবু অনমদি তানগনু। মীয়াম্না পাম্নবা থবক্তা হোয়া ফবনা হেন্না কান্নগনি। ফংবা য়াবা পল্লসু পাখৎকনু তুংদা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** মায় পাকপা, অফবা মীংচৎ ফংবা, ঙাঙ-শকপা পকচবা, হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা লিংজেল ফুদোকপা য়াবা অফবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**ধনু:** অরাপ্পা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলসু অনিংবা থবক পাঙগনি। লৌশিং চাওই-খন্থরগা ঙাংঙু, মরূপ মপাংশিংগী মতেং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিংদি পেল্লোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হীগোক

**মকর:** হেন্না অশা চাওরদি অঙম্বগা মরী ফত্তবা য়াই, মীৱা পংথা থাজবনা পুক্লিং ৱাগনি। মোং হাদনা অমদি নোল্লুক্লা চৎচরদি নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খজিক্তং ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কুম্ভ:** থৌনা লৈবনা য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি- অকিবা লৈগনু। মীয়াম্না ফনা শোন্নগনি, পোরম য়াৎপা হৈ। নাপলনদি য়াম্না তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মীন:** ঙসিসু নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। ৱাখলগী পাঙ্গল কল্লি- খন্থদনা থৌ পাঙগনু। অশাওবদগীদি চেকশিল্লু মাঙবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হীগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।